# মণিপুরগী মেন্স সিনিয়র ফুটবোল টিম্না সন্তোস ট্রোফিদা অফবা পর্ফোর্মেন্স পীবা ঙমদ্রিবসি আই লীগকী টিম শেম্নখিবদগীনি



সাপম প্রেমকান্ত
*(নেসনল ফুটবোল কোচ)*

(ঙরাংগী মখা)

কুমজা ২০১০, ২০১১ অমদি ২০১২ অসিদসু 'সন্তোস ট্রোফি'গী গোল কিপ্পিং এক্সপার্ট ওইনা ঐহাক এপোইন্টমেন্ট ফংজখি। অদুবু মণিপুরগী সিনিয়র মেন্স টিম অফবা পর্ফোমেন্স পীবদি ঙমখিদে। মিজোরামদা কুমজা ২০১৪দা পাঙথোকখিবা অসিদসু মণিপুর টিম থোইনা অফবা টিম ওইখিদে। মণিপুরগী সিনিয়র টিম্না সন্তোস ট্রোফিদা অচৌবা মফম কনবা ঙমদবগী মরমসিসু য়াম্না লৈখ্রে। অদুগা ঐগী নুংঙাইজবা অমনা সন্তোস ট্রোফিদা মণিপুর টিম মীনা থোইখিবা তারগসু গোল কিপ্পিং এক্সপার্ট অমা ওইনা ঐনা ট্রেনিং তৌজখিবা অঙাংনা পেনাল্টিগা সেফ তৌরকপসি তশেংনা নুংঙাইবা ফাউই। ঐহাক্না কোচিং পীজখিবা খরা ফিল্ডদা উখোরকপসি ঐগী ওইনসু মায় পাকপনি হায়না লৌজে। টিমসিদি নুপাগীসু নুপীগীসু ফনা য়াম্মী পুজরকপসি। মায় পাকপা কয়া, মায়থীবা কয়া লোইনমক থেংনজরকখি। নুপীগী টিম পুদুনা চৎচরকপদদি অয়াম্বনা মায় পাক্লকখিবা ঙাক্তনি।

মণিপুরগী ফুটবোল টিম্না নেসনল চেম্পিয়নশিপ্তা, সন্তোস ট্রোফিগুম্বদা শিথরক্লিবসিগী মরু ওইবা মরম অমদি পীকখ্রবা ষ্টেট অসিদগী আই লীগকী টিম অনী শেমদোকখ্রে। অফবা খরা মখোঙ মখুৎ চুম্বা প্লেয়রশিংদি পৈশা য়াম্না য়াম্না পীবনিনা মদোমদা লোইনা হাইদোক্লখ্রে। মণিপুরগী তম্পাক লম অসিখক্তদগী টিম অনী শেমখিবা হায়বসি অতোপ্পা ষ্টেট টিম অমা শেম্ন নবা হোৎনরকপদদি অৱাবা অমা অদুম ওই। খরা লেমহৌবা খরদুনা শেম্নগা শান্নহনবদা অফবা মগুন লৈবা টিম অমা ওইবা ঙমদে। অদুনা সন্তোস ট্রোফিগুম্বদা শরুক য়ারুবা মতমদা পর্ফোমেন্স ফজবা ঙমদে। আই লীগকী ওইনা নেরোকাগী অমা, ট্রাউগী অমা শেম্বা হায়বসি



খরা খরা ৱাং-চাউবা ফজবা প্লেয়র ঙাক্তা খন্দৌরিবনি। প্রোফেস্নেল ওইনা চৎকদবনিনা মশানসু অফবা মরু চঙবা প্লেয়র খনবা তাবনি।

অদুগা, হৌজিক্তী আই লীগতা কার্দকা লোইননা য়াওরিবা চহীদু অদুম চৎনখ্রগদবনি। হান্নদি চহীগী মতাংসিসু পঙয়াদা য়ারম্মী। হৌজিক্তী মতমগী মতুংইন্না অহোংবা কয়াসু লাকখ্রে। চহী শেমদোক



## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
### অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং

য়াওবা প্লেয়রসি সন্তোস ট্রোফিদা য়াওবা য়াদ্রে। মসিগী মতাংদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা চেরোল অমসু থোরকখ্রে। অদুগা ৱাফম অমনা, হৌজিক মণিপুরদা ফুটবোল শান্নগনি হায়দুনা থোরক্লিবা প্লেয়র অয়াম্বসি সেন্ট্রেল রেজিষ্ট্রেসন সিষ্টেম (সি আর এস) গী মতাংসিদা কয়া কন্না খঙনদে। লাইরিক-লাইশুগী নোলেজ লৈবসিসু কয়া য়াওদে। নেসনল থাক্তা শান্নরবা প্লেয়রশিং অসিদি সি আর এসতা লুপা ২০০/২০০ পীরগা মশাগী চহীগা লোয়ননা রেজিষ্টার তৌগদবনি। মদুদা মশাগী চহীসু য়াওখ্রগদবনি। মশাগী অধার শাদোকপা মসিদসু অথিংবা কয়া লৈখ্রে। অধার কার্দ ২/২ পায়রগা শান্নরম্বা প্লেয়রশিংসু হৌজিক্তী অমত্তা য়াররোই। অদুগা প্লেয়র খুদিংমক্না চহী অমদা লুপা ২০০ থিরগা সি আর এস তা রিন্যু অমুক অমুক তৌগদবনি হায়বসিসু মশা মশাদা মপুং ফাবা নোলেজ লৈহন্নিংই। শান্নরোয় খুদিংমক্কী ওইনা মখোয়গী ৱাখলদা সি আর এসতা রিন্যু তৌবসিসু ক্লবকী সেক্রেটরীনা তৌগদবনি হায়দুনা লোইনা লৈনৈ। মসিদি প্লেয়র মশা মশানসু লোইনা তৌজবা য়াবা থবক ঙাক্তনি। অদুগা ঐনা খ্বাইদগী পামজদবা অমনা শান্নরোয়শিংনা চহী হুরানবা অসিনি। মসিমদি ইন্দিয়া মনুংদসু য়াম্না থোকই। অদুবু ফোরেন কন্ট্রিগুম্বদা চৎপা মতমদদি য়াম্না নাতে চারোইদবা থৌওংনি হায়নিংই। চহী হুরানবা, অধার অনী অনী পায়রগা শান্নবা মসিদি খ্বাইদগী চুমদবনি। ঐখোয়সু শান্নজরকই। ইশাগী অশেংবা মেত্রিক থাখিবগী চানবা চহীদা অন্দর ১৯দা চহী অনী সিনিয়র টিমদা (সন্তোস ট্রোফি) চহী মাপল শান্নজরকখি। ইন্দিয়ন য়ুনিভর্সিটি ফুটবোল টিমদসু গোল কিপ্পর ওইনা শরুক য়াজরকখি। অহানবা ওইখিবা চহীদুদা মথং মথং লেপ্তুনা অদুমক শান্নরকখি। হৌজিক শান্নরিবা অঙাংশিংদদি মশাগী চহীগা চান্নদনা ফংবা সর্টিফিকেট কয়াসু থোরক্লি। মশামক এম এ তম্না তম্না অন্দর ১৯গী শরুক য়াদুনা শান্নবা প্লেয়র উবসিদি ঐগী ওইনদি নুংঙাইজদে। শান্নরোয় হায়বসিদি খরা মপুকচেল শেংনা শান্নবসু চুম্বা নিংই।

... মথং মথং ...

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৫

১) মহাক ওলিম্পিক চেম্পিয়ননি, মিলিটরি বুথ তোংলগা লমজেল প্রেক্টিস তৌবগী মমিং চৎলি। মহাক কনানো?

২) ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা 'পব্লিক স্পোর্টস মীট' অদু করম্বা চহীদনো?

৩) অহানবা ওল অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখিবা টিমগী কেপ্টেন অদুগী মমিং পীয়ু।

৪) ওলিম্পিক্কীনুঙলংবগী থৌরম অমদা শান্নরোয় অমা অনীরকদিসক্কালিফাই ওইখি। মরমদি মহাক্না নুঙ অদু তা লংবদৌনা নত্রগা লৈতুম হুনবদৌনা লংখি। কাংলোনগী মতুংইন্না নুঙ অদু ঙক্না খজায় শোক্না থল্লগা লংগদবনি। মদুদা মহাক শাউদুনা থৌরম অদু লোয়দনা তোকখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ৱর্ল্ড মিলিটরি গেমসতা ইন্দিয়াগী অনন্দন গুনসেখরননা গোল্ড মেদল অনী লৌখ্রে



ৱুহান, ওক্টোবর ২২(এজেন্সী):

চাইনাগা য়ুম্নু ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি ৱুহানদা পাঙথোকপা ৭শুবা সি আই এস এম ৱর্ল্ড মিলিটরি গেমস ২০১৯দা ঙসি ইন্দিয়াগী পেরা এথলিট অনন্দন গুনসেখরননা গোল্ড মেদল অনী লৌদুনা ইন্দিয়াগী একাউন্ট হাংদোকখ্রে।

গুনসেখরননা দিসএবল মেন্সকী আই টি ৱান ইভেন্টতা মিটর ১০০ অমসুং ৪০০গী গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। গুনেসেখরননা মিটর ১০০গী লমজেল অদুদা সেকেন্দ ১২দা গোল্ড মেদল লৌখিবনি। ইভেন্ট অদুগী সিলভর অদুনা পেরুগী কসাস জোসনা সেকেন্দ ১২.৬৫তা ফংখি। অদুগা ব্রোঞ্জ অদুনা কলম্বীয়াগী ফজার্দো পার্দোনা সেকেন্দ ১২.৭২দা ফংখি।

ইভেন্ট অদু লোইখ্রবা মতুং মিটর ৪০০গী লমজেলদা মশাগী চহী ৩২ শুরবা ইন্দিয়াগী অনন্দন গুনসেখরননা সেকেন্দ ৫৩.৩৫তা গোল্ড মেদল ফংখি। কলম্বীয়াগী টিওদিসেলোনা সেকেন্দর ৫৯.৯৫তা সিলভর লৌবা ঙমখি। অদুগা লৈবাক অদুগী অতোপ্পা এথলিট রাঞ্জিন মাইকেলনা মিনট ১:০০.৩১দা ব্রোঞ্জ লৌখি।

গুনেসেখরন কুমজা ২০১৮কী নেসনল পেরা এথলিটতা মিটর ২০০ অমসুং ৪০০দা চেম্পিয়ন ওইখি। ইন্দিয়াগী সোটপুর চেম্পিয়ন তজিন্দর পাল ৬শুবা পোজিসন তাখি। অমরোমদা মিটর ৪০০গী লমজেলদা ইন্দিয়াগী রেকোর্দ হোল্ডর ওইরিবা মহমদ অনাস ৬শুবা পোজিসন তাহৌখি।

# অহানবা য়াওরকপা টিম অনীগী লম্বাদা জমসেদপুর এফ সিনা উরিষা এফ সি বু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে



জমসেদপুর, ওক্টোবর ২২(এজেন্সী):

৬শুবা হিরো ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা অহানবা ওইনা শরুক য়ারকপা টিম অনী জমসেদপুর এফ সি অমসুং ওরিষা এফ সিগী লম্বাদা জমসেদপুর এফ সিনা ২-১দা থোইখ্রে।

ঙসি ঝরখন্দগী সিটি জমসেদপুরদা লৈবা জে আর দি টাটা স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা টিম অনীমক ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা অহানবা ওইনা শরুক য়ারকপগী শান্নরোয়শিং অদুগী ৱাখলদা য়াম্না নুংঙাইবা ৱাখল্লোল অমা ফাওনখি।

মেচকী অহানবা হাফ অদুদা টিম অনীমক লম্বা মান্না শান্নদুনা হৌরকখি। বোল পায়বগী চাং অঙনবা শরুক্তা ওরিষানা খরা হেনখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী জি সকো হর্নান্দেজনা পীরকপা বোল অমা য়েৎ থংবা ফিল্ডগী মায়কৈদা টিম মেট জেরি মাৱিংথাঙনা ফংখি। বোল অদু মহাক্না শান্তনাদা খাইজিল্লকপদা হেদ তৌশিনখিবা বোল অদু পোষ্টকী ৱাংমদা চৎখিদুনা খুদোংচাবা ফংখিদে।

১৬শুবা মিনটতা জমসেদপুরনা চথখিবা এটেক অমদা ওরিষাগী দিফেন্দর আর ঘরামিদা খেৎলগা চঙখিবা বোল অমনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল ওইখি। পাঞ্জল অমা মাংজিল থারবা জমসেদপুর এফ সিনা অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ১০ ৱাৎলিঙৈদা টিম অদুগী বিকাস জাইরু ওরিষাগী গোল কিপ্পর অদুবু বোল পুশিনবদা তুহনবগীদমক রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা জমসেদপুর এফ সি শান্নরোয় ১০ খক্তমক ঙাইহৌখি।

মদুগী খুদোংচাবা লৌরগা ওরিষাগী মায়কৈদগী অরিদেন সান্তনানা ইক্কেলাইজর অদু চন্দুনা হাফ লোইশিল্লকপদা টিম অনীমক ১-১দা লৈনখি। অনীশুবা হাফ শান্নরোয় অমা ৱাৎখিবা জমসেদপুরগী মায়কৈদা ওরিষাগী শান্নরোয়শিংনা হেনজিনবা ঙমখিদে। মেচকী ৮৫ শুবা মিনটতা সর্জিও কাষ্টেলনা মেচকী ৱিন্নর অদু চনখি। হয়েং এফ সি গোৱা অমসুং চেন্নাইন এফ সি থেংনরগনি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Kerala Blasters | 1 | 1 | 0 | 0 | 2 | 1 | +1 | 3 |
| 2 | Jamshedpur | 1 | 1 | 0 | 0 | 2 | 1 | +1 | 3 |
| 3 | Bengaluru | 1 | 0 | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 4 | NorthEast United | 1 | 0 | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 5 | Chennaiyin | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 |
| 6 | Goa | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 |
| 7 | Hyderabad | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 |
| 8 | Mumbai City | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 |
| 9 | Odisha | 1 | 0 | 0 | 1 | 1 | 2 | -1 | 0 |
| 10 | ATK | 1 | 0 | 0 | 1 | 1 | 2 | −1 | 0 |

# ৩শুবা টেষ্ট মেচ ইন্দিয়ানা সাউথ অফ্রিকাবু ইন্নিংস অমগা রন ২০২দা থোইদুনা মেচ ৩গী সেরিজ ৩-০দা লৌখ্রে



রাঞ্চি, ওক্টোবর ২২(এজেন্সী):

ঝরখন্দগী সিটি রাঞ্চিদা লৈবা জে এস সি এ ষ্টদিয়মদা ইন্দিয়া অমসুং সাউথ অফ্রিকাগী নুপাগী ক্রিকেট টিম্না থা অসিগী ১৯দগী শান্নবা হৌখিবা অহুমশুবা অমদি অরোইবা মেচ অদু ইন্দিয়ানা ঙসি ইন্নিংস অমগা রন ২০২দা থোইদুনা মেচ ৩গী সেরিজ অদু মেচ ৩-০দা থোইবা ঙমখ্রে।

অহুমশুবা টেষ্ট মেচ অদুগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। মদুদা ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ৪৯৭তা দিক্লার তৌখি। ইন্নিংস অদুদা ওপনর রোহিট শর্ম্মানা রন ২১২ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা ঙমখি। মহাকপু অজিনক্যা রাহেনা য়াম্না ফজনা মতেং পাদুনা রন ১১৫ লৌরমখি।

সাউথ অফ্রিকানা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংসতা রন ১৬২ লৌরগা বেটচমেন ১০ আউট ওইখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী জুবের হমজানা রন ৬২ লৌখিবা অদুনা টিম অদুগী খ্বায়দগী য়াম্না রন ওইখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বোলর অয়াম্বনা ফজনা এটেক চথবা ঙমখি।

সাউথ অফ্রিকানা ফোলো ওন তৌদুনা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস অদু ঙরা শান্নখিবদা ইন্দিয়াগী বোলরশিং অদুনা খুদুম চনবা ঙমখিবদগী হুম্নিশুবা নুমিৎ, ঙরাংগী শান্নবা লোয়শিনখিবদা ৱিকেট ৮ আউট ওইরগা রন ১৩২দা লৈখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মুহম্মদ সামীনা ৱিকেট ৩ লৌদুনা অতোপ্পা বোলরশিংদগী হেন্না ফজবা ঙমখি। সাউথ অফ্রিকাগী মায়কৈদগী হুম্নিশুবা নুমিৎ অদু ৱিকেট ২ তুরগা রন ৯দা মখাতানা শান্নবা হৌরকখিবনি। টিম অদুগী মায়কৈদগী ৯শুবা বেটচমেন থিয়ুনিসদি ব্রুইননা রন ৩০ লৌরম্বা অদুনা খ্বায়দগী য়াম্বা রন ওইখি।

ঙসি মেচ অসিগী ৪নিশুবা নুমিৎতা ঙরাং লৌখিবা রন ১৩২দগী শুপ্নগী রন অমখক হপচিল্লগা ২৩৩ য়ৌরকপদা বেটচমেন ১০মক আউট ওইদুনা টেষ্ট মেচ অদু ইন্নিংস অমগা রন ২০২দা মায়থীবা পীখি।

# ফ্রেন্স ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী সুবাঙ্কর দে অমসুং পি ভি সিন্ধু মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে





পেরিস, ওক্টোবর ২২(এজেন্সী):

নুপীগী সিঙ্গলসকী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা ঙসি ফ্রান্স সিটি পেরিসতা পাঙথোকপা ফ্রেন্স ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯গী অহানবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে। নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়া সুবাঙ্কর দে মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা ৫শুবা সিদেদ ওইরিবী পি ভি সিন্ধুনা কানাদাগী শান্নরোয় মিসেল লিগা লম্বা তৌনখি। অহানবা গেম অদু সিন্ধুনা খুদুম চল্লবসু মিসেল লি য়াম্না কন্না হোৎনদুনা পোইন্ট ইন্নরকখি। ২১-১৫দা অহানবা গেম অদু সিন্ধুনা থোইদুনা অনীশুবা গেমগীদমক শেম শান্নখি।

কানাদাগী শান্নরোয় অদু অনীশুবা গেমদদি সিন্ধুগী এটেকশিং অদুদা পাউখুম হনবদা অৱাবা অমা ওইখি। অহানবা গেমদগী পোইন্ট য়াম্না হেন্দুনা অনীশুবা গেম অদু পি ভি সিন্ধুনা ২১-১৩দা থোইদুনা অহানবা রাউন্দ অদু মিনট ৪১দা মায় পাক্লগা অনীশুবা রাউন্দদা মালেসিয়াগী এস সিয়েবু মায়থীবা পীরম্বী সিঙ্গাপোরগী জে এম য়িওগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপীগী শান্নরোয় সাইনা নেহৱাল ঙসি অথেংবদা হোং কোংগী এন ৱাই সিয়ুংগা শান্নরগনি।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সুবাঙ্কর দেনা ইন্দোনেসিয়াগী টোমি সুর্গিয়াটোবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা গেম ২-১দা থোইখি।

অহানবা গেম অদু সুর্গিয়াটোনা ২১-১৫দা থোইরবা মতুং অনীশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী সুবাঙ্কর দেনা য়াম্না ফজবা মওংদা ২১-১৫দা থোইদুনা গেম মান্নখি। ৩শুবা গেম অদুদা সুবাঙ্কর দেনা টোমিসুর্গিয়াটোবু ২১-১৭দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী থমাসিনবু থোইরম্বা ইন্দোনেসিয়াগী রুস্টা ভিটোগা শান্নরগনি।

# গোকুলম কেরালা এফ সিনা বসুন্ধার কিংস ৩-১দা থোইখ্রে চেন্নাই সিটি এফ সি টেরেনগানু এফ সিগী মখুৎতা মায়থীখ্রে



চিতাগোং, ওক্টোবর ২২(এজেন্সী):

বংলাদেশনা য়ুম্নু ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি চিতাগোংদা লৈবা এম এ অজিস ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১৯দগী হৌখিবা ৩লক শুবা সেখ কমাল ইন্টর্নেসনল ক্লব কপ টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী ক্লব গোকুলম এফ সি না বংলাদেশকী ক্লব বসুন্ধারা কিংসপু পাঞ্জল ৩-১দা থোইখ্রে। চেন্নাই সিটি এফ সি মলেসিয়াগী ক্লব টেরেনগানোগী মখুৎতা ৩-৫দা মায়থীহৌরে।

ঙসি চিতাগোংগী এম এ অজিস ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অহানবা মেচতা ইন্দিয়াগী চেন্নাই সিটিএফ সি অমসুং মলেসিয়াগী ক্লব টেনেরগানো এফ সি লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফকী অঙনবা শরুক্তা মলেসিয়াগী মায়কৈদগী রহানট বিন মকাসুটনা ৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনখি। চেন্নাই সিটিগী মায়কৈদগী কাটসুমি য়ুসানা ২৩শুবা মিনটতা ইক্কেলাইজর চনখি। মখা তারকপা চেন্নাই সিটিগী শান্নরোয় মসর সেরিফনা ৩৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল চল্লগা মাংজিল থারম্বা অদু ৩৮ শুবা মিনটতা তেরেনগানোগী ব্রুনো সুজুকিনা হন্দোকখি। মহাক্না হাফ লোইশিল্লকপা চেন্নাই সিটিবু ৩-২দা হেন্দুনা লৈখি।

মেচকী ৭০ শুবা অমসুং ৮০ শুবা মিনটতা ব্রুনো সুজুকিনা মহাক্কী হেদত্রিক লাম্তোক্তুনা পাঞ্জল ৪ চল্লগা লৈরিঙৈ ৮৮ শুবা মনিটতা চেন্নাই সিটিগী পেদ্রো জেবিয়রনা পাঞ্জল অমখক হন্দোক্লগা মেচ অদু ৩-৫তা মায়থীখি।

ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দদা ইন্দিগী অতোপ্পা ক্লব গোকুলম কেরালা অমসুং বংলাদেশকী ক্লব বসুন্ধারা কিংস লম্বা তৌনখি। মেচকী অহৌবা মিনট ২০ লম্বা মান্নখি। অদুবু গোকুলম কেরালাগী মায়কৈদগী যুগান্দা মচা হেনরি কিসেকানা ২৫শুবা মিনটতা টিম অদুগী একাউন্ট হাংদোক্তুনা বংলাদেশকী বসুন্ধারা কিংসপু ১-০দা মাংজিল থাখি। ৩১ শুবা মিনটতা গোকুলম কেরালাগী অতোপ্পা শান্নরোয় ত্রিনিদা এন্দ টোবেগো মচা নেথনেল গার্সিয়ানা পাঞ্জল অমা হাপচিন্দুনা অহানবা হাফ অদু গোকুলম কেরালানা ২-০দা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১ চঙশিল্লকপদা গোকুলম কেরালাগী হেনরিনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ৩-০দা হেনখিবা অদু মেচকী ৭৪ শুবা মিনটতা বসুন্ধারা কিংসকী মায়কৈদগী মোতিন মিয়ানা পাঞ্জল অমা হন্দোক্লগা ৩-১দা থোইখি।